# আই এস আই এসকী রিক্রুটমেন্ট ফাইলশিংদা পেরিস এটেক্কর ৩গী মমিংশিং য়াওরম্লে

বর্লিন, মার্চ ১২ (এজেন্সী) ঃ

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপতগী লিক ওইরকখিবা য়াল্লবা দোক্যুমেন্টশিংদা পেরিস এটেক্তা শরুক য়াখিবা মীওই অহুমগী মিং য়াওরম্লে হায়না ঙসি মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা পেরিসকী বাটাক্লান থিয়েটরদা রোক বেন্দ অমগী কনসর্ট পাঙথোক্লিঙৈদা শাথিরবা এটেকশিং চত্থখিবা মিলিটেন্টশিংনি হায়না থাজনবা সামি অমিমৌর, ফৌদ মোহমদ-অগাদ অমসুং ওমার ইসমাইল মোষ্টেফাস-মীওই অহুম অসি আই এস আই এসনা মালেম শিন-থুংনা রিক্রুট তৌখিবা হন্দক্তা দোক্যুমেন্টশিং লিক ওইবদগী খঙবা ঙমখিবা মিলিটেন্ট ২২,০০০গী মনুংদা য়াওরে হায়রি।

ইগলস ওফ দেথ মেটলসনা পাঙথোকখিবা কনসর্ট মনুংদা নোংমৈ অমসুং সুইসাইদ ভেষ্টশিং শীজিন্নদুনা চত্থখিবা বাটাক্লান থিয়েটরগী এটেক অদুদা মীওই ৯০গী পুন্সি লোমখিবনি। কনসর্ট অদুদা শরুক য়াখিবা শৈশকপা অমসুং গিটারিষ্ট জেসি হগসনা এটেক অদুদা ক্লব অদুগী সিক্যুরিটি গার্দশিং চেন্নে হায়না মহাক্না হান্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগীদমক্তা ঙরাং এপোলোজাইজ তৌখি। শাথিরবা এটেক অদুদা মঙোন্দা ত্রোমাগী ফীভম অমা লাকপদগী শেরান্নবা ৱাফমশিংদু ফোঙদোকখিবনি হায়না হগসনা হায়খি।

শৈশকপা হগসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, বাটাক্লান থিয়েটরগা মরী লৈনবা খূদিংমক নবেম্বরগী কিনিঙাই ওইরবা থৌদোকশিং অদুদা রোল অমা লৌখি হায়বা ঐহাক্কী ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি অমসুং ঐহাক্না অরানবা ৱাফমশিং অদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি মপুং ফানা লৌজরি।

জর্ম্মন, য়ু কে অমসুং সিরিয়ন ওপোজিসন মিদিয়ানা ফংখিবা আই এস আই এসকী ফাইলশিং অদুনা য়ামদ্রবদা লৈবাক ৪০দগী রিক্রুট তৌখিবা মীওই লীশিং কয়াগী মশক-মমিংশিং তাকথোক্লি অমসুং জর্ম্মন ওফিসয়েলশিংনা ফাইলশিং অদু অশেংবনি হায়না লৌবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফাইলশিং অদুনা বাটাক্লানদা এটেক তৌখিবা মীওই অহুম অদু কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৪দা আই এস আই এসকী টেরিটরিদা চঙখিবনি হায়বসি উৎলি হায়না দোক্যুমেন্টশিং অদুবু ফংখিবা জর্ম্মন পব্লিক ব্রোদকাষ্টর দব্লিয়ু দি আরগী ৱারোলশিং পল্লদুনা বি বি সীগী পাউ অমনা হায়খি।

শোত্থরবা পেরিসকী মফম অমদগী হৌখিবনি হায়বা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ফ্রেঞ্চ মচা মোষ্টেফাই কৌবা মীওই অদুগী আইদেন্টিটি অদু বাটাক্লানদা থেংনখিবা খুৎশা মতৎ অমদগী কনফার্ম তৌবা ঙম্লে হায়রি।

অতৈ মীওই অনীদুনা পেরিসকী দ্রানসিদগী হৌখিবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা হান্না বস দ্রাইভর ওইরম্বা অমিমৌর অমসুং ষ্ট্রাসবর্গতগী মশাগী চহী ২৩ শুরবা মোহমদ-অগাদনি।

ফাইলশিং অদু অহানবদা আরাবিক লোলদা ইবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা ওনলাইনদা কটরদা বেজ তৌবা সিরিয়ন ন্যুজ ৱেবসাইট জামন অল-ৱাজলনা ফোঙখিবনি।

দোক্যুমেন্টশিং অদুদা জিহাদিষ্ট ওইগদৌরিবা মীওই অদুনা মহাক্কী নেসনেলিটি, ব্লদ টাইপ অমসুং "মমাঙগী জিহাদকী এক্সপেরিয়েন্সকুম্বা" অকুপ্পা ৱারোলশিং পীদুনা পাউখুম খুমগদবা ৱাহংশিং য়াওরি। সিরিয়াদা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা দ্রোন এটেক চত্থদুনা হাৎখিবা জুনাইদ হুশাইন অমসুং রেয়াদ খান য়াওনা বৃটিশ মচা ১৬সু ফাইলশিং অদুদা য়াওই হায়রি।

দোক্যুমেন্টশিংদুগী কোপিশিং অদু হান্না ফ্রী সিরিয়ন আর্মিগী মেম্বর অমা ওইরম্বদগী আই এস আই এসতা য়াওখিবা অবু হমেদকী মমিং শীজিন্নবা মীওই অমদগী ফংলবা মতুংদা স্কাই ন্যুজনা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবনি। মহাক্না দোক্যুমেন্টশিংদুগী মেমোরি ষ্টিক হুরাল্লগা টর্কিদা জর্নেলিষ্ট অমদা শীন্নখিবনি অমসুং শীন্নবা মতমদা ইস্লামিক রুল্লশিং গ্রুপ অদুগী মনুংদা চৎনদে অমসুং মথোং মরম খঙদবদগী মহাক গ্রুপ অদু থাদোক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

জর্ম্মনিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর থোমাস দে মাইজিয়রনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা অমদা ফাইলশিংদুদা য়াওরিবা ইনফোর্মেসন অদুনা প্রোসিক্যুট তৌবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা তুংদা গ্রুপ অসিগী রিক্রুটমেন্ট থিংবদসু মতেং পাংগনি হায়খিবনি।



ইগলস ওফ দেথ মেটলসনা পাঙথোকখিবা কনসর্টতা চত্থখিবা টেররিষ্ট এটেক, ইনসেট-(১) ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপতগী লিক ওইরকখিবা য়াল্লবা দোক্যুমেন্টশিং, (২) ফ্রেঞ্চ মচা মেষ্টেফাই, (৩) অমিমৌর অমসুং (৪) মোহমদ-অগাদ

## ট্রম্পকী চিকাগো রেলি কেন্সেল তৌখ্রে



চিকাগো, মার্চ ১২ (এজেন্সী) ঃ

দেমোন্সট্রেটরশিংনা রিপব্লিকান হ্বাইট হাউস ফ্রন্ট রন্নরগী সপ্পোর্টরশিংগা কন্না মুক্নরকপদগী চরাংনবা ফীভম থোকহনখিবা অচৌবা প্রোটেষ্টশিংনা মরম ওইদুনা ঙরাং চিকাগোদা পাঙথোক্লুবা লাংখিবা রেলি অমা দোনাল্ড ট্রম্পনা কেন্সেল তৌখ্রে। পুলিসনা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি হায়রি।

রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল ফ্রন্ট রন্নর ওইরিবা বিলয়িনর দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি, চিকাগোগী পুলিসকা তানরবা মতুংদা মহাক্না রেলি অদু কেন্সেল তৌনবা লেপ্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইজগী স্পোর্টিং এরিনা অমদা পাঙথোক্কদবা রেলি অদুগী মাঙওইননা পুং কয়ামুক চুপ্পা উংখৎনবগী ফীভম লাকখিবনি।

"ঐহাক্না কনামত্তবু অশোক-অপন থোকহনবা পামদে। ঐখোয়গী নীংখা তম্না ৱা ঙাঙবগী হক খোঙ্গাউনখ্রবসু ঐহাক্না অচুম্বা ৱারেপ (রেলি কেন্সেল তৌবা) লৌরে হায়না খল্লি" হায়না ট্রম্পনা তুংদা সী এন এনদা হায়খি।

ট্রম্পকী ঈরাং থোক্লিঙাই ওইরবা এন্তি-ইন্মিগ্রেন্ট ওইবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমসুং ৱাহৈ-ৱাতাশিংদা খোইরাং-খোইশাওনবা পোক্লবা অমুবা অমসুং লিটিনো কয়াসু য়াওবা প্রোটেষ্টর চা কয়ানা রেলি পাঙথোকফমগী মনুং অমসুং মপান্দা পুনখি। প্রোটেষ্টর কয়াদি কেন্দিদেটকী সপ্পোর্টরশিংগসু পুন্দুনা লৈখি হায়রি।

টেন্সন লাক্তুনা মথোং মরম খঙদবা চরাংনবা ফীভম ওল্লকপা মতমদুদা এরিনা অদুদা মীওই ৮,৫০০দগী ১০,০০০ ফাওবা পুনখি হায়না সী এন এননা ফোঙদোকখি। থৌদোক থোকফমদুদা লৈবা এ এফ পিগী ফোটোগ্রাফরগী মতুং ইন্না, কেন্দিদেটনা রেলি কেন্সেল তৌবগী ৱারেপ লাউথোক্লুবদগী ইন্থোক-ইশিন তৌদুনা মুক্লবগী ফীভমদু লাকখিবনি।

পুলিসনা খোইরাং-খোইশাওনরবা সপ্পোর্টরশিং অমসুং প্রোটেষ্টরশিং খায়দোক্ল নবা হোৎনখি। ন্যুজ ফুটেজনা বোদি অর্মর লিংপা পুলিসনা বিল্ডিং অদুদগী মীওই গ্রুপ কয়া শেন্নদুনা পুথোকপগী শক্তম উৎখি। মীফা-মীপুন অমসুং অশোক-অপন থোকপদি য়াওদে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

## ইজরেলনা পালেষ্টিনিয়ন টি ভী ষ্টেসনদা রেইদ তৌখ্রে

রামালা, মার্চ ১২ (এজেন্সী) ঃ

ইজরেলি ফোর্সশিংনা পালেষ্টাইন টুদে টেলিভীজনগী ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈবা ওফিসশিংদা রেইদ তৌখ্রে অমসুং ঈরাং থোকহন্নবা শিল্লি হায়বগী ৱাফমদা টি ভী ষ্টেসন অদুগী মেনেজর ফাগৎখ্রে হায়না ইজরেলগী সিন বেট ইন্টরনেল সিক্যুরিটি এজেন্সীনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

টি ভী ষ্টেসন অদুগী রামালাদা লৈবা ওফিসশিংদা টার্গেট তৌদুনা অহিংদা চত্থখিবা ওপরেসন অদু ইজরেলনা থা ৫ শুরক্লবা পালেষ্টিনিয়নশিংগী ঈরাং অদুবু থোকহল্লিবনি হায়না থাজরিবা পালেষ্টিনিয়ন ব্রোদকাষ্টরশিংগী মচিন মেন্নবা হোৎনরকখিবদা খ্বাইদগী নৌবা থৌদৌনি হায়রি।

সিন বেটনা চেন্নেল অদুবু ইস্লামিক জিহাদ চত্থরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপকী মহুৎ শীন্দুনা ব্রোদকাষ্ট তৌই হায়না মরাল শীখি অমসুং আর্মিগা চত্থখিবা অপুনবা ওপরেসন অমদা চেন্নেল অদু থিংজিল্লে হায়খি।

"চেন্নেল অদুনা ইস্লামিক জিহাদপু ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা পালেষ্টিনিয়নশিংবু ঈরাং হৌহন্নবগী সেন্ট্রেল মিন্স অমা ওইনা শীজিন্নৈ, ইজরেল অমসুং মসিগী সিটিজনশিংগী মরক্তা টেরর এটেকশিং চত্থনবা ইনশিল্লি। মখোয়না অসুম্না ইনশিনবা অদু টেলিভীজন ষ্টেসন অদুনা অমসুং ইন্টরনেটতা ব্রোদকাষ্ট তৌখি" হায়না সিন বেটকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ইজরেলি ফোর্সশিংনা পালেষ্টাইন টুদেগী মেনেজর, মশাগী চহী ৩৪ শুরবা রামালাগী অৱাংদা লৈবা বির জৈততগী ফারুক অলিয়টপু ফাগৎখি। মহাক অসি মহাক্কী এক্টিভিটিশিংগীদমক্তা ইজরেলগী জেলদা থমখিবা ইস্লামিক জিহাদ ওপরেটিব অমনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

কেমেরামেন মোহম্মদ অমর অমসুং টেক্নি স্যন সাবিবপুসু ফাগৎখ্রে হায়না পালেষ্টিনিয়ন জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা হায়খি।

আর্মিগী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি, টেক্নিকেল ইক্বিপমেন্ট অমসুং ট্রান্সমিটরশিং রামালাগী ওফিসশিং অদুদগী লৌখৎলে অমসুং ওফিস অদুসু থিংজিল্লে।

"হমাসনা কন্ট্রোল তৌবা গাজা ষ্ট্রিপতা ওফিস লৈবা চেন্নেল অদুনা মখোয়গী লেবানিজ ট্রান্সমিটরশিংগী খুত্থাংদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা মখা তানা ব্রোদকাষ্ট তৌখি" হায়না সিন বেটকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

"রেজিসটেন্সকী থবক্তা শীজিন্নবা নেসনেলিষ্ট মিদিয়াগী মায়োক্তা ইজরেলনা ফোর্স শীজিন্নদুনা অকন-অরিংগী থৌদোকশিং" চত্থববু জিহাদনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং রেইদ অদু ইজরেলি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কপু পায়শিল্লকপদা চত্থরকখিবা ওৎ-নৈবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা ইনৌ নৌবা অমনি হায়খি।

হন্দক থা খরা অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্কতা লেপ্তুনা চত্থরকখিবা মীশি-মীনা য়াওবা ঈরাংশিংদা পালেষ্টিনিয়ন ১৮৮, ইজরেলি ২৮, অমেরিকান অনী, ইরিত্রিয়ন অমা অমসুং সুদানিজ অমা শিখ্রে হায়রি। হৌজিক ইজরেলনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা থোক্লিবা ঈরাংশিং অদু হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর অমদগী হৌখিবনি।




## চহী ৫ চত্থরকখিবা সিরিয়াগী লাল অরুবা তাঙ্কক্তা লৈরে

বৈরুট, মার্চ ১২ (এজেন্সী) ঃ

চহী ৫ ঈখেং তানরবা মতুং-মীওই মিলিয়ন অমগী শরুক মরি থোকপগী অমা শিখ্রবা মতুং অমসুং রিফ্যুজি মিলিয়ন কয়া চেন্নখ্রবা মতুংদা সিরিয়া অসি হৌজিক অরুবা তাঙ্কক অমদা লৈরে। হাৎন-শুনবা লোইশিন্নবা দিপ্লোমেটিক ফ্রেমৱার্ক অমা পুথোক্লে, চয়োল ২ শুরক্লবা পার্সিয়ল সিজফায়র অমা মখা তানা অদুম চত্থরি অমসুং লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পিছ টোকসু পাঙথোক্লবা হোৎনবা লৈরি।

"থাপ্লপ্না য়েংবদা উবা ফংলিবশিং অসি পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওই" হায়না হৌজিক সিরিয়ন ওপোজিসনগী পোলিটিকল এদভাইজর অমা ওইনা থবক তৌরিবা ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা হান্নগী সিরিয়ন দিপ্লোমেট বশর বরাবান্দীনা হায়খি।

লৈবাক অদুদা শোক্নরিবা লাল অদু হেক্তা মপুং ফানা লোইরগনি হায়না থাজবা মী য়ামদবগা লোয়ননা লাল লেপহন্নবা হোৎনরিবশিং অদু মতম অমদা অমুক হেক্তা তোক্নখিবা য়াই। প্রসিদেন্ট বাশর অশাদ তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বগী মতাংদা খেন্নবা মোত কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা পোলিটিকল ট্রাঞ্জিসন অমা লাক্লবা সিরিয়স ওইবা মওংদা নিগোসিয়েসন চত্থবগী ৱাফমদা অকায়বা পীরি। লৈবাক অদুবু মচেৎ তাথোকপনা খ্বাইদগী ফবা কেস সিনরিও ওইগনি হায়না ঙাঙনরকপসু হেনগৎলক্লি।

অদুম ওইনমক হৌজিকসু লাল অদু পনখে অমা য়ৌখিবগা লোয়ননা নোংমৈ থাদোক্লরগা পোলিটিক্সলোমদা মায় ওনশিল্লকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ কয়ামরুমসু লৈরে হায়রি।

"ঐখোয় হৌজিক ফেজ ৱান লোইশিল্লকপগা লোয়ননা ফেজ টুদা চঙশিন্নবা হোৎনরি" হায়না বরাবান্দীনা হায়খি।

হৌজিক মালেমগী ওইবা অপুনবা অপান্বা অমদি মালেমগী মফম শিন-থুংনা ইস্লামিক এক্সট্রিমিষ্টশিং থোকহল্লক-খিবা, য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগী তং-তাবগী ফীভমদা অকায়বা পীরিবা অমসুং য়ুরোপ্পু রিফ্যুজিশিংগী ইচাও থোকহল্লিবা লাল অদুবু লেপহনবনি।

"হৌজিক লৈরিবা মালেমগী ওইবা ওপিনিয়নদি সিরিয়াদা পোলিটিকলগী অহোংবা লাকহনবগী ৱাখল অমসুং ওপোজিসনগী ৱাফমদগী তপ্না তপ্না হায়দোরক্লি" হায়না কার্নেজি ইনদোমেন্ট ফোর ইন্টরনেসনল পিছকী ননরেজিদেন্ট এসোসিয়েট অমসুং সিরিয়া ইন ক্রাইসিসকী এদিটর অরোন লুননা হায়খি।

"মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা তং-তাবগী ফীভম অমা লাকহনবা অমসুং টেররিষ্টশিংগী চঙজফমশিং মুত্থৎপগা লোয়ননা রিফ্যুজি ময়াম চেন্নরিবদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবসু পাম্নরে। মখোয়না সিরিয়াবু মখোয়গী অয়ুক্কী পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা উবা পাম্নরক্তে" হায়না আরোননা মখা তাখি।



## ইরানগী মিসাইল চাংয়েংশিং য়ু এনদা পুখৎলগনি : য়ু এস

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ১২ (এজেন্সী) ঃ

ইরানননা হন্দক্তা বালেষ্টিক মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোকখিবদুগী মতাংদা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী খন্ন-নৈনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইসু অমা ওইনা পুথোক্লগনি অমসুং টেহরানগী মিসাইল প্রোগ্রাম অদু অরেম্বা তাহন্নবা লৈবাকশিংনা অমগা অমগা কোওপ-রেসন পীননবা য়ু এসনা তকশিল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা য়ু এসকী পাউখোল্লোইনা ঙরাং হায়খ্রে।

"খুদোংথিনিঙাই ওইরবা মিসাইল চাংয়েংশিং অসিগী মতাংদা ঐখোয়না কাউন্সীলগী কন্সলটেসনদা হকথেংননা পুথোক্লগনি অমসুং মীখল অদুসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্লবা হায়খ্রে" হায়না য়ু এস এম্বেসেদর সমান্থা পৱারগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

"অসিগুম্বা চাংয়েং কয়া পাঙথোরক্লিবা অসিনা ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রামবু তপথহন্নবা অমসুং ময়ায় হন্থহন্নবা মালেমগী পার্টনরশিংনা খুৎশম্নরা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা উৎলি হায়না এম্বেসেদর অদুনা হায়খি। চয়োল অসিদা ইরানগী রিভোল্যুসনরি গার্দনা পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা বালেষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েংশিংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখিবনি।

য়ু এস, ফ্রান্স অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং পুবা ঙম্বা বালেষ্টিক মিসাইলশিংগী অচৌবা চায়েংশিং অদুনা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন ২২৩১ খোঙ্গাউনগনি। ইরানগী মিসাইল চাংয়েংশিং অদু কায়হৌবা অমসুং লমদম অদুগী তং-তাবগী ফীভমদা অকায়বা থোক্লিঙাই ওই হায়না পৱারনা মখা তাখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR COMBINED MEDICAL SERVICES & ENGINEERING SERVICES EXAM 2016

**UPSC IES/ ISS Examination 2016 – Apply Online for 28 Posts:** Union Public Service Commission (UPSC) has released notification for conducting Indian Economic Service & Indian Statistical Service Examination 2016 for recruitment of 28 vacancies in Junior Time Scale of the Services. Eligible candidates may apply online from 16-01-2016 to 12-02-2016 till 23:59 hrs. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**UPSC IES/ ISS Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 28**
**Name of the Posts:**
1. Indian Economic Service: 15 Posts
2. Indian Statistical Service: 13 Posts

**Age Limit:** Candidates age should be between 21-30 years as on 01-08-2016 i.e., he/ she must have been born not earlier than 02-08-1986 and not later than 01-08-1995. Age relaxation is applicable 5 years for SC/ ST, 3 years for OBC & for others as per rules.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Post-Graduate Degree in Economics/ Applied Economics/ Business Economics/ Econometrics for post 1, Bachelor's Degree with Statistics/ Mathematical Statistics/ Applied Statistics as one of the subject or a Master's degree in Statistics/ Mathematical Statistics/ Applied Statistics for post 2.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on written examination, test.

**Application Fee:** Candidates have to Pay Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by Cash or by using net banking facility of SBI, State Bank of Bikaner & Jaipur/ State Bank of Hyderabad/ State Bank of Mysore/ State Bank of Patiala/ State Bank of Travancore or by using Visa/ Master Credit/ Debit Card. No Fee for Female/ SC/ ST/ PH candidates.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the UPSC website www.upsconline.nic.in from 16-01-2016 to 12-02-2016 till 23:59 hrs.

**Instructions to Apply Online:**
1. Before going to Apply Online candidates need to scan their photograph & signature in JPG Format.
2. Photograph digital size must be less that 40 kb and greater than 3 kb and resolution 140 pixel height by 110 pixel width and Bit Depth of image file should be 24 bit.
3. Digital size of Signature must be less that 40 kb and greater than 1 kb and resolution 110 pixel height by 140 pixel width and Bit Depth of image file should be 24 bit.
4. Log on through the website www.upsconline.nic.in.
5. Click on "Online Application for Various Examinations of UPSC".
6. Click on "Part – I/ Part – II Registration".
7. Read the instructions carefully.
8. Fill all Mandatory Details.
9. After successful registration, a unique registration ID will be allotted, note down the ID & password.
10. Fill all the details regarding personal profile, contact details, age relaxation, qualification, experience, Professional Registration, Language, Miscellaneous Module
11. Candidates have to choose the Recruitment Test Centre & should upload documents in Document Upload Module.
12. After uploading photograph & signature preview the ORA form and check the details carefully.
13. Click on the submit button.
14. Candidates can Pay Online using the Internet banking facility in SBI or other associated banks or can pay through Visa/ Master Debit or Credit card issued by any Bank/ Institution.
15. Here the Transaction ID & Date of Registration details will directly uploaded automatically.
16. Now pay the fee through cash at any branch of State Bank of India through the Pay-in-Slip
17. A transaction ID will be given, again revisit the website and click on the "Click here to view your Previous/ Currently active applications".
18. Log in by registration ID & password, candidates can see "My Active Application (My draft Application)" link.
19. Now fill the details of transaction ID and Date of Transaction if paid through cash.
20. Click "Continue", check the details of fee and submit the application.
21. Now take printout of online application for future use.

**Important Dates:**
Starting Date to Apply Online
16-01-2016
Last Date to Apply Online
12-02-2016 till 23:59 hrs
Last Date for Payment of Fee through Cash
11-02-2016 at 23.59 hrs
Last Date for Payment of Fee through Debit/ Credit Card or Internet Banking Payment
12-02-2016 till 23:59 hrs
**Date of Download of Admit Card**
**From** 07-03-2016 to 04-04-2016 by 11:59 P.M
**Date of Competitive Examination**
**From** 13-05-2016
**Date of Result of Examination** August, 2016
**Examination Centres :** Ahmedabad, Jaipur, Allahabad, Jammu, Bengaluru, Kolkata, Bhopal, Lucknow, Chandigarh, Mumbai, Chennai, Patna, Cuttack, Shillong, Delhi, Shimla, Dispur, Thiruvananthapuram, Hyderabad.